"মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে। চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।" - *হিজম গুন (লমন)*

## শৈরেং

### জি-২০না লাকপদা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

লেঙশিনবীরকসি লৈম নিংথৌশিং
তাল্ল-তাল্লবা লমদমশিংদগী
ঐখোয়গী লৈবাক সনা লৈবাক্তা
লমকোয় মীফম শরুক য়াননবা
খ্বাই তরা পূন্নমকপু
খূবাম চাংজৌ তরা লোন্নদুনা
হরাউ তয়াম্না ওকচরি;
পীক্লা তোমথিন ঙাল্লিবীনি
মীওক মীচান নিংথিবীনি
অচান মীরাই নাইদবীনি
অচৌ পীশক খায়দবীনি
পুকচেল তপ্পী পলেমনি
মালেমদা অনী শুদবীনি
নুংশিথোইরবী ইমা মণিপুরনি;
কৌব্রু চীংশাং কারুসি
কৌব্রু কৌনু খুরুমজরুসি
হৈঙাং চীংদসু চৎলুসি
ইবুধৌ মারজিং থাগোন্নসি
লোক্তাক পাৎতা কোয়রুসি
ঙানু থঙ্গোংগা চিলোক্লরুসি
হৈকক য়েলি চারুসি;
লেঙবীরক্লিবা খ্বাই তরানা
তাকপীরম্মু পাউতাক অথোইবা
পীনবীরম্মু থৌজাল অহেনবা
চুখৎপীরম্মু লৌশিংগী মৈরা অরংবা
মালেমগী চাওখৎপগী হীদান্নবদা
হেন্না হেন্না মাঙজিল থাবা
ইরমদম মণিপুর অমা ওইরক্লবা।

### পী থাদোই

**—কে মেমা**

পী থাদোই ঐগী থৱায়গী পী থাদোই
নঙনা তাম্না তাম্না খোংলগা
নীংশিংলকইনে তামখ্রবা মাবু
যৌবনগী মথোৎ কারকপা মতম
ঈথক ঈপোম্না ইৱাইরকপা মতম
মথুম মরাং নুংশি-নুংঙল
হায়ফম তৌফম খঙলক্তে কল্লবা ঈরৈগুম
থেংনখি নোংমা ইকায়রকপা মতমদা
খঙহৌদনা শিৎলকপা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা
ইরাক্লখি মা-ঐগী নুংশি নুংঙন
পী থাদোই, পী থাদোই খোংলগনু অমুক হন্না
তামখ্রবা মাবু অমুক হন্না নীংশিংহল্লনু
মা-ঐগী হৌখ্রবা মতমদো
নুংশি নুংঙনলক্তা ঈথক ঈপোম ঈৱাইমিন্নখি
পী থাদোই পী থাদোই ঐগী থম্মোয়গী পী থাদোই।
মরৌ লৈবা নহাক্কী খোঞ্জেলনা
ইকায়বা পীরনু অমুক হন্না নোংহৌনা
খঙহৌদে নোংমা অখাক অরাও
শেংলবা অতিয়া খংমম মমশিনখি
অকনবা নোংজুনা চামথোকখি
নুংশি নুংঙল মৈরী মৈশা
খোংলগনু অমুক হন্না ঐগী থৱায়গী পী থাদোই।
তাইওন্নবা তাইবঙপান
তাইওন্নখিবা পুন্সি খোঙচৎনি
নুংশি নুংঙন ঈথক ঈপোম
ঈচেল নাইবা লেপ্তুনা চেম্থরিবা তুরেল
মপাল নাইদ্রবা ঈতিনফমদা তিনখি
ঈচেলদুদা কাউশিংগুম তাউথখিবা
ঈয়াইদা কোঙ্গোল ঙহাক কারম্বা
নীংঙমদ্রবা নীংঙমদ্রবা নুংশি ঈপোমগুম্বনি।

### ফনেক য়োনবীদো

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লমতা থাসু লানখিদুনা
শজিবু থাসু লোইখ্রে
কালেন থাগী মৈশা
খরা খরা লাংলক্লে।
ইমাগী ফনেক হেক হেক
পুরকপী মৈতে পাঙল
নিংঙোলদো লাকখিদবা
নুমিৎ শিংবুম য়াল্লক্লে।
মচু মচুগী ফনেক
ময়াম অমা কোকথোংনরদুনা
যূমগী মাঙ্গোল মচি অমদা
অপাম পামদা খন্দোক
খঞ্জিন তৌনবদো,
ইমানা হায়খি
করিবু তৌরবা জাৎনো
অসুক কুইনা লাকখিদবদি,
করম্বা খুদোং থীবনো
ইমানা হায়খিবদো তাহৌই।

### 'কৌজরি নঙবু হিহোনবা'

**—অঙোম ইবোমচা**

পাক্লা তাইবঙ ঈপাক্তা
পুন্সি নৌরেল খূৎনা-পায়
ঙান্না মল্লবা তাইবঙদা
হিরানবিরিবা নঙবু কনানো?
লানঙমদরবা তাইবঙ ঈপাক
কঙাওনরবা হিরম-উদা
হিরানবীয়ু হিথাংফম য়ৌনা
ঙান্না মল্লবা তাইবঙসিদা।
ঙাইহাক নুংঙাই মচেৎকী
ঈরন-ঈথোক কাজবা
ইচা-ইশু ইমুং-পূম
থাজনীঙাইবু করিনো?
তাইবঙগী কল্লবা ময়াগী লাং
থদৎপীয়ু হীরম তাকপীয়ু
য়ৌহনবীয়ু হিথাংফম
ঙান্না মল্লবা তাইবঙসিদা।
থম্না-থক্কী ঈরিক-কুম
থৱায় নিকই নুতিগী
শোঞ্জরি নঙগী মিংলেনতবু
হিরানবিয়ু হিথাংফম য়ৌনা
ঙান্না-মল্লবা তাইবঙসিদা।

### লোনচৎসিনা

**—রাজকুমারি মীনা**

পূন্নমক্কী লৈতেংনি,
বসন্ত ঋতু নঙসে।
নুংশি খুদোলনি,
হৈরাং লৈরাংগী।
মালং পাউজেলনি,
লৈচিল নোংফাইসু।
নহাক্কী মীংশেলনি,
ঈয়ইগী ঈপাকসে।
খোঙথাং খুদিংগী কায়রবা,
মীৎকুপ খুদিংগী হোংলবা,
নোংমা নোংমগী লেন্নবা
মীওইবা নহাক্লা মাঙহনবা,
নুংশিবা নঙগী লৈবাকনি।
মীংচৎ তাল্লি মায়থীহল্লি,
শেন্দোং তাল্লি মাঙহল্লি।
নোকপা তল্লুই,
কপ্পা ফংহল্লি।
হংনীংলুই ৱাহং-
মীওইবা নঙবু মীরা?
শুপ্নতগী মমিং খক্তরা?
থিরি পাউখুম, ঐবু ঐরা।
খোঙথাং খুদিং পুখদুনা,
খনবগী শক্তি মাঙশিল্লক্লবরা?
খন্থবগী চাংদি ৱাৎশিল্লকই।
চানীংবদা চা, শেৎনীংবতা শেৎ,
মালং জগোয় শাদুনা।
চৎনরম্বা লীক্লমবু ঙাক্লিব্রা?
হেন্তাক পীজদুনা য়োক্লম্বা মতম
খনবা ঙমই ফজবা ৱাখল।
খঙনা চৎলি থকসি-খাসি।
চরাংনরি করিগী ৱাখল
চাওখৎলক্লিবা খোঙথাংসিদা।
খন্থবা তমদুনা অফ-ফত্ত খঙনা।
নতিং লৈয়ু, থৌনা লৈয়ু,
অওনবা অফবা খুন্নাইগীদমক।

### তূমহল্লো

**—এম নিলকুমারি**

তূম্নিংলক্লে নোংয়াই চবুক লোল্লক্লে ।
তূমথহল্লো ঐহাকপু মীকুপ অমত্তং ওইরবসু।
লংলবা গুলাপ লৈনাগুম তঙাংলবা,
নহাক্কী মায়থোঙ অরংবা নমিৎ
য়েংদুনা অসুম লৈরগদ্রা?
চেক্লা-চা কয়াসু শৈদিন্নখ্রে মকোন্নুংদা।
উরি উপাল চপ চপ তূমিন তূমিন
তূমহল্লো তূম্নিংলে তূম্বা ফংদ্রবা ঐ।
হাইরক্লনু নহাক্কী শমগী বেনি
মতেক ওইনা লোল্লিবা:
নোকফেৎনরনু তঙাংলবা চিনবান
কৌরকপসু নত্তবা;
কৌরকপসু মালহনবা
মচু শংলবা খূৎশা মঙা
কৌরিবরা ঐবু; নঙগী খূৎশানা হত্তুনা।
খুল্লরোই কৈদৌনুং
নঙবু নুংশিবনা অপেনবা ওইরগে
তূমহল্লো ঐবু উপাল-ৱাপাল
চপ-চপ লেপখ্রে
মতেক লোল্লবা নঙগী শমগী বেনি হাইরক্লনু
তূমহল্লো তূমনীংলবা ঐহাকসে
থোকচহৌরসনু অঙানবা মশেক মঙালগা ইরোয়ননা
নোংমদোলথক্কী থাজ লম্বী থুংনবা চৎলসনু তপ্লী তপ্লী
হাইরক্লগনু নহাক্কী মতেক ওইনা লোল্লবা শমগী বেনি
লক্লদুনা শান্নরগনু ঐহাকপু
কৌবদসু খুল্লক্লরোইদবা
নোকপদি মানবা নোক্তি নোক্তবা
য়েংলকপদি মানবা নমিৎতি কোইরাওননা লেংদবা
তূমহল্লো তূম্নিংলবা ঐসে
ইল্লগে চারো হায়বসু নচিনবান কাথোক্ত্রবা
ঐতবু ঙাওহনবনি ঐতবু লাংতক্লহনবনি
নহাক্কী লুরবা লাইজগা মান্নরবা মায়থোঙদুনা
নুংশিরুবগী ৱাজবনি ইথন্নতা
খঞ্জরুবগী মংলাক্লবনি নহাক্কীদমক
ঐগী থোইবী নুংশিবী
করম্না-করিগী ঐনা নঙবু থেংনরুবা
হায়রম্মু হায়রবসু
ঐতনা হায়রগা মতোকই।

### করিসু পুদনা লাকখিবনি

**—নাওরেম মঙ্গি**

করিসু পুদনা লাকখিবনি
করিসু পুদনা হনখিনি
মখল মথেল শক্লোন্দা
ঙাইহাক লীলা য়াওরল্লগা
চৎখিনি ময়ূম লাইরৈবাক্তা।

ঐগী হায়বা ৱাখলদা
তানশিনখিবা লন পূম্বদো
করিসু নত্তে খল্লক্কনি
লৈজবা পূম্বা থনল্লগা
মপুগী মায়কৈ পাংখিনি।

কপ্পগা লাকখিবা মীওইবা
ঙাইহাক নোক খেদুনা
তাইবঙ ফম্বাক্তা লৈরল্লগা
অরোইবা মতম্না লাক্লবদা
কপ্পগা অমুক হনখিনি।

মতম মতমগী ৱাখল

# মমা লোলগী নুমিৎ

চহী খূদিংগী ফেব্রুৱারি তাং ২১ অসি মালেমগী মমা লোলগী নুমিৎ হায়দুনা মালেমগী মফম খূদিংদা নীংশিংবগী নুমিৎ পাংথোক্লরকই। লোল অমদি খোরিরোল নৈনবা অমদি থৱায় য়াওজবা মীওইশিংনা খরা হেন্না নুমিৎ অসি নীংশিংঙি। মালেমগী থাক্তা পাংথোকপা নীংশিং নুমিৎ ওইরগসু মালেমগী মীপূম খূদিংমক্লা নুমিৎ অসি নীংশিংনদে। ৱারেং অসিমকসু খঙনীংদবা পানিংদ্রগদি চেনা কাল্লগা চৎখিবা মীসু অদুম লৈগনি মদুদা করি হায়রুগনি।




ফেব্রুৱারি তাং ২১ নুমিৎ অসিবু করিগীদমক 'মমা লোলগী নুমিৎ' হায়দুনা নীংশিংবগী থৌরম পাংথোক্লিবনো হায়বসি অমুক্তং নৌহৌননা নীংশিংমিন্নরগদি মীওইবনা ঙাঙনরিবা লোল অসি কয়ামুক মরুওই হায়বসি খঙমিন্নগনি। মীওইনা পোক্লগা মরমদম মরৈবাক অমদি ঙাঙনরিবা মমালোনবু নুংশিদবা কনা লৈরমগদগে ? মীওইবনা লোল থোক্ত্রিঙৈ, ৱাহৈ লৈত্রিঙৈদা করম্না পাউ ফাওনরমগদগে। পাউ ফাওনদবসি অৱাবা কয়া মায়োক্লরমগনি। লোল,ৱাহৈ হায়বসিনা মীওইবগী পূক্নিংগী অপান্থা ফোংদোকপদা মতেং পাংলি। লোল,ৱাহৈ হায়বসিদা খোঞ্জেল য়াওই। খোঞ্জেলদা থোকলকপা ৱাহৈ অদুনা লোল ওইরকই। তেংবানবদা খোঞ্জেল থোকপা থৱায় পানবা কয়া লৈরি । মখোয়গীসু তোঙানবা লোল লৈজরি । শা-ঙা, উচেক-ৱায়াগী মরোল লৈজরি। ঐখোয় মীওইবনা মখোয়না করি ঙাঙনরিবনো,হায়নরিবনো খঙদ্রগসু মখোয় মশেলদি খঙনৈ, অমগা অমগা পাউ ফাওনৈ।

মালেমগী মমা লোলগী নুমিৎ হায়না ফেব্রুৱারি তাং ২১ অসিদা পাংথোক্লিবসি কুমশীং ১৯৯৯ দগী য়ুনেস্কোনা লাওথোকখিবদগী চৎনবা হৌরকখি। নীংশিং থৌরম অসি বঙ্গলা দেশতা বঙ্গলালোলগী থৌদোক অমদগী ওইরকখিবনি। পাকিস্তান হায়বসি লৈপাক অমা ওইনা ১৯৪৭দা শরুক অনী- নোংপোক অমদি নোংচুপ হায়না খায়দোকখি । পাকিস্তান হায়না খায়দ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগা পুল্লমখি। খায়দোক্লবা মতুংদা নোংপোক অমদি নোংচুপ পাকিস্তান অনী অসি য়াম্না লাপ্লে । ময়াইদা ইন্দিয়া লৈখি । নোংপোক -নোংচুপ পাকিস্তান অনীগী খেন্নবসি মরুওইনা লোলদনি। নোংপোক পাকিস্তান অসিনা বংলা লোল ঙাঙবা মুসলমানশিংনা মশীং য়াম্মী । নোংচুপ পাকিস্তান অসিনা উরদু লোন ঙাঙবনা য়াম্মী । পাকিস্তান হায়রগদি নোংচুপ থংবদা লৈরিবা উরদু ঙাঙবা মুসলমান কাঙলুপ অসিনা খুৎলীংবা হেল্লমখি মরম অসিনা নোংপোক পাকিস্তান অসি মখোয়গী সাসন মখাদা লৈহল্লকখি মরম অদুনা নোংপোক পকিস্থান্দা উরদু লোল অসি পাক শন্না চৎনহন্দুনা অপূনবা পাকিস্তান অমগী মশক শাগৎনবা হোৎনরকখি । নোংপোক পকিস্থান্দি বংলানা মমালোন ওইনা ঙাঙজবনিনা বংলালোন ওইনা মমালোন ওইগে হায়রকপদা উরদু ঙাঙলিবা পাকিস্তান্নিশিংগা মূক্লরকখি।

মীওইবনা ৱাখল খনবা ঙল্লুবনা অফ-ফত্তা চাউখৎপগী থাক খঙই। লোলগী মরুওইবা, লোলগী ফজবা, লোলগী হৌরকফম খঙনবা হোৎনরকই। মহৌশানা মীশিং য়াম্বা খুৎকনবা কাঙবুনা মীশিং য়ামদবা কাঙলুপ্পু নমহৎপা মখা থানবা হোৎনরকপসিদি মফম খূদিংগীনি। মীশিং য়াম্বা য়াম্বদবগী ৱা নত্তবদা ঙাঙনরিবা মশাগী লোলবু নুংশিজবা হায়বসিদি মালেমগী মফম খূদিংমক্তা লৈরি, লৈগনি। লোলগীদমক্তা থৱায় থাবা পাম্মুদবা হায়বসি অদুমক ওইরকখি। মসিনি ইন্দিয়া পাকিস্তান অনী খায়রকপদা পাকিস্তানগী শরুক অমা ওইরম্বা ঙসিনা বংলাদেশ হায়না খঙনরিবা অসিনা লোলগীদমক হৌখিবা অন্দলোন, হিংসা, মীশি মীনা থোকলক্তুনা ঙসি মালেমদা নীংশিং নুমিৎ পাংথোক্লরিবা মালেমগী মামা লোনগী নুমিৎকী হৌরকফম ওইরকলিবসি। নোংচুপ থংবা পাকিস্তানগী লৈঙাক্লা কুমশীং ১৯৪৮ দা উরদু লোল অসি মখোয়গী নেশ্নেল লেঙ্গুয়েজনি হায়না লাওথোকখি। নোংপোক থংবা পাকিস্তানদা লৈবশিংদি মমালোনসি বংলা ঙাঙজবনি। বংলালোন থাদোক্লগা উরদু ঙাঙঙু হায়বদি কাঙলুপ অদুগী মীওইনা য়াফম থোক্তে। য়ানীংদবা অসি ধিরেন্দ্রনাঠ দত্ত কৌবা বঙ্গলী অমনা পাকিস্তানগী এসেমব্লিদা থাংগৎখি। ৱাফমসি চাওথোকলক্তুনা নোংপোক পাকিস্তানগী মনুংদা লৈরিবা ধকা (বংলাদেশকী কোনুং) য়ুনিভরসিটিগী মহৈরোইশিংনা কুমশীং ১৯৫২ ফেব্রুৱারী ২১ অসিদা অচৌবা মীয়ামগী ওইবা মীফম ফমখি, য়ানিংদবগী খোল্লাও লাওখি। পাকিস্তানগী শরুক অমা ওইরম্বা ঙসিগী বংলাদেশ অসি মতম অদুদা পাকিস্তানগী লৈঙাক মখাদা লৈবনা য়ামখ্রবা পাকিস্তানগী সিফাইশিংনা মশীং খঙদনা কাপশিনখিবা নোংমৈগী গুল্লিনা মীয়ামগী মীফম পাংথোক্লিবা মফম অদু লানবুং ওইখি। বংলা লোন ঙাঙজবা মহৈরোয় কয়া শিখি কয়া অমনা অশোক অপন নঙখি। অদুঙৈ পঞ্জাবকী জ লিয়ানৱালা বাগতা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মান্নখি। থৌদোক অদু মালেমগী মফম শীনবা থুংনা য়ৌখি। অৱাংবা থাক্তা মীফম ফমদুনা য়ানীংদবা উৎলকখি অমদি য়ুনেস্কোদা বংলাদেশ লৈঙাক্লা চেরোল লানখৎপদগী য়াবীরদুনা ফেব্রুৱারী ২১ অসি মালেমগী মমালোনগী নুমিৎ হায়দুনা নীংশিং থৌরম পাংথোকপগী অয়াবা কুমশীং ১৯৯৯ অসিদগী পীবীখি। চৎনবা হৌখিবদি কুমশীং ২০০০ অসিদগীনি। হন্দক কুমশীং চহী ২০২৩ অসিদা পাংথোক্কদৌরিবা অসি ২৪শুবা নীংশিং থৌরম্নি। 'multilingual education - a necessity to transform education'. অসিনা কুমসি চহী অসিগী থীম ওইরি।

মমা লোল হায়বা ৱাফমসি লাকপসিদা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা অমুক ওনশিন্নীংলকই । ঐখোয়গী লোল ভারত সংবিধানগী ৮শুবা সেড্যুলদা চনখিবা কুইরে। সেড্যুলদা চন্নবা হোৎনবদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম অদু নত্তনা লোলগীদমক অতৈ ইহৌ অকনবা লৈখিদ্রি । ঐখোয়গী লোল অসি মণিপুরী লোল হায়রী । ৮শুবা সেড্যুলদা চলহনবদা মণিপুরী লোল হায়রগা চনখি । ঙাঙনরিবা অসিনা মৈতৈ লোলনি। মৈতৈ হায়রগদি অকক্লবা কাঙলুপ অমখক ওই হায়বদগী মণিপুরীলোল হায়না য়ানখি। য়াদবা মীওইসু অদুম লৈরি। অমবু ওইরবসু লোল অমদি ঐখোয়গী লৈরে। লোল অসি লমদম অসিগী মীওই খুদিংমক্লা ঙাঙনবা শীজিন্ননবনি। সেড্যুল্ড লেঙ্গুয়েজ হায়বদু ওইরবনিনা লোল অসি পার্লিয়ামেন্তা,এসেমব্লিদা অমদি মফম খুদিংমক্ত ঙাঙবা য়ারি। হংবা য়ারিবদি মীওই কয়ানা মণিপুরী লোল ঙাঙনরিবগে অমদি ঙাঙনবা হোৎনরিবগে হায়বসিনি। য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা লোল অসি তম্নরি। হৌজিক নৈনবা য়ারিবদি পার্লিয়ামেন্তা,এসেমব্লিদা ঙাঙবা য়ারবসু মরুওইবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা ইনরিবা শীজিন্নরিবা, চে চাং চৎনরিবা অসিদদি মণিপুরী লোল অসি অমত্তা শীজিন্নদে । লোয়শঙদা ফল্লিবা ওফিসারশিং মণিপুরী খঙদবা য়াম্না য়াওরি। মশাগী মমালোন ওইরবা মণিপুরী ওফিসার ফাওবা মমালোন শীজিন্নদে। মমালোন ঙাঙবসি লাইরিক হৈতবা চাউখৎতবা অমগুম অদুগা ইংলিস ঙাঙবা ঙল্লবা মীওইখক্তনা লাইরিক হৈবা অমগুম লৌনরি । ৱাফমসি মণিপুরদনা খরসু হেল্লি। রুশিয়া,জপান,জর্ম্মণ,ফ্রান্স লৈবাক্তা ইংলিস ঙাঙলুবদা হন্না য়েংলক্তে। মখোয় মখোয়গী মরোল ওইনা ঙাঙলকখি । মখোয় ইংলিস খঙদবা নত্তে খঙঙি। খঙলগসু ঙাঙবা ৱাৎলি অদু মখোয়সি লাইরিক হৈতবা মীওইরা ? মীরমদা (ফোরেন কন্ত্রিশিংদা) হৌজিক কন্না চৎনরিবসি মমালোন ঙাঙনা হোৎনবনি। মমালোন ঙাঙবসি মখোয়না ইকায়খূম্নে। ফ্রান্সতা ইংলিস ঙাঙলুবদা মঙক হায়রকপা খুমলক্তবা নীংশিংলকই। মখোয়না মখোয়গী মরোল ঙাঙবা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরোল ইমালোল ঙাঙনরগা পাউ ফাওনরকই। নোকমিন্নে, নুংশিনৈ মসিনা করম তৌবজাৎনো ?

হৌজিক লাকচনীংলিবা ৱাফমদি মালেমদা মাগী মাগী মমালোনগী মরুওইবসি লূম্না লৌনরক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়গী লমদম অসিদনা ইরোল ঙাঙনরক্তবদগী অঙাংশিং মৈতৈলোন খঙনরক্তবা মশীং য়ামখৎলকই। অঙাংদি খরবু ফরি ৱাখল তারবা চহী নিফু হেল্লক্লবা কয়া অমসু ইরোলবু মীরাইরি। মচানা লম হেনবদা,ঙাওশিন্নবদা মদু য়াদে হায়বগী মহুৎতা মমানা ইংরাজিগী 'নো' হায়বসি শীজিন্নরি। হিন্দি য়াম্না লোনবা মমাসু লৈ । মাগী মাগী হৈনবী অপাম্বনি হায়গদ্রা ? কনাগুম্বা মৈতৈ মচাদি ওইবা অদুগা মণিপুরী লোলবু করিগী তল্লিবনো হায়না মহৈরোইদা ঙাঙবা মীওইসু লৈরি । খ্বাইরাকপম চাউবনা কন্না য়ানীংদনা হায়রম্বা ৱাহৈসি মখোয় অদুগুম্বা মীওইশিংদনি। ইরোলদগী হেন্না নুংশিবা অসিদি কদায়দবু লৈগদগে? অতোপ্পা লোনশিং ইংরাজিবু ওইরবসু কোরিয়ান লোনবু ওইরবসু অহেনবা লোল অমা খঙনবা তম্বদি মহৈরোইশিংনা তমগদবনি ফৈ হায়গনি অদুগা মশাগী লোল মীরায়দুনা মীরোলনা হেন্না মরুওই হায়না লৌবশিংদি মমালোনগী নীংশিং থৌরম তৌজরিবশিংনদি য়াম্না ৱারৌরগনি। পুন্সি চেংজেন লোইরমদাইগী মতমদদি মাগী মাগী মরোন্দা ইমা..অয়ো ইমাদা শোনখিগদবা ঙাক্তনি । মৈতৈলোন হায়বা ইকায়বদগী ও মাদর.. মাই দিয়ার হায়রকপদা অতাবনা চিন খুমগনি। ও গোদ, হো হিবন, হে ভগবানদা থৱাই লানবা ঙমলোই। খ্বাইরাকপম চাউবগী 'মৈতৈলোন' হায়বা ৱারেংসি অমুক হন্না ঐখোয় নৈনমিন্নবা কান্নগনি। লোলনা ইমানি ইয়েক্লা ইপানি হায়বসি মালেমগী লোনগী নুমিৎ নীংশিংবদসু নীংশিংমিন্নরসি ।

**- মাখোনমনি মোংসাবা**

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -৬

লোন্না লোন্না ৱারী থোইবীগা হেক হেক শানৈ। উনদি পাক পাক উনদে। মহাক্কী দুকান মপাদা ঐ তোয়না তোয়না চৎলি মানা উহৌবসু অদুম য়াওই। অয়াম্বা মতমদদি ঐবু উদে। ঐনদা চেপথ চেপথরগা য়েংশিনবদা উবগী ৱানি। নোংমদি বজার ময়ায়দা ঐখোয় নুপীগা অঙাংগী পোৎ খরা লৈরুসি হায়না চৎপদা কোক হেক থেংনরে। ঐখোয় নুপীনদি মাবু মশক খঙবা নত্তে। তাঞ্জাদু য়াম্না মতাং চাদবা হায় তারে। ঐখোয় মুসকান্দগী ইচাগী পোৎ খরা লৈরগা ঐনা শেল পীরম্মগা হান্না থোরকপনি। ঐখোয় নুপীদি কৈনোমা অমুক লাম্মগা ফুরিৎ অমা য়েংহৌবনি। ঐদি দুকানগী মপান্দা লেপ্পগা লৈরিঙৈদুদা, থোইবীদু খাও অমা য়াল্লগা প্রটাপ টোকিজগী গলিদুদগী মখোঙনা থোরকই। মাগী পোৎতু খরা লূম্লপ তৌরগা য়াল্লকই। ময়োমদু ফনা চাওরে। প্রটাপ টোকিজ মনীংদা লৈরিবা হোলসেল দুকানশিংদুদগী পোৎ চৈ য়োন্নবা তিকলুবজাৎনি। ঐনা দুকান মমাঙদা লেপ্তুনা লৈবদুদা মাসু হেক চঙজরকপজাৎনি। ঐদি উবু উরুদে, মানা হান্না কৌরকই।

"কৈদৌরম্মীনো?"

ঐ থোইবীবু উবদা ইশাসি শ্বাই লাউই। দুকানলোমদা হান্না য়েংশিল্লি। ঐখোয় নুপী দুকান মনুংদা ফুরিৎ অমা থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা নাপ তমদুনা য়েংলি।

"পোৎ অমা লৈরম্বনি, নঙদি কাই চৎলুবনো"

"পোৎ খরা লৌরম্বনি"

"কমদৌরি"

"সুম লৈরিসিনি, শিবা ঙাইরি"

"মরৌ লৈবা ৱাসি য়াম হায়খ্রেদা"

"অশেংবনে" থোইবীনা নোক্লগা খুম্মী। অদুগা মখা তারকই।

"চা থক্লুসিরা হিন্দ জাল পালদা, থায়নগী ঐখোয়না হেক হেক সিনেমা য়েংলুরগা থোরক্লগা থকপদো অসিদা লৈরে" খুদোনবী থিল্লগা হায়রকই।

"হুম ঙসিদি য়াদ্রে কোন্না থক্লসি"

"অশ! হৌদোক্লুবা ইকায়জখ্রেদা"

দুকান মনুংদগী ঐখোয় নুপীনা কৌশিল্লকই।

"তারিবরা, শোমদা অমুক্তা চঙবীরকও, সিগী ফুরিৎসি লৌরসে য়াম পাম্মে, অমুক্তা য়েংবীররো লাও-ও"

"ঐখোয় নুপী য়াওরি, কোন্না উন্নরসি ঐ চঙলুখিগে"

থোইবী ৱা মখা তারমদে, মাগী পোৎয়োমদু য়াল্লগা অদুম চৎখ্রে। ঐ মানা নীংঙমদনা চৎখিবদু য়েংদুনা লৈহৌই। ঐখোয় নুপীনা মখূৎতা ফুরিৎতু পায়রগা থোরক্লগা হায়রৈ।

"কনাগনো ৱারী শারিদুবো?"

"শাদেদা"

"অদুগা করিগীনো সিদা য়ুংদুনা লেপ্পম্মীসিবো, সে সিগী ফুরিৎসে নঙোন্দা য়াম পকচদৌ মাল্লি চাব্রা অমুক্তা য়েংবীয়ু লৌখ্রসে"

"য়ারেদা ঐগী ফুরিৎ অদুক য়াম লৈরিদুবো কৈদৌ লৈদুইনো?"

"ঐনবু পাম্মে হায়রদি হেক্তা য়াররোইদৌনি, কনানা হায়বা য়াগে হায়নো খঙদে"

"অদু ৱা নত্তেদা" ঐখোয় দুকান মনুংদা চঙমিন্নরে, ফুরিৎতু চাবা চাদবা য়েংলে, চারম্মে, লৌরগা অদুম নুংঙাইনা হল্লক্লে। লম্বীদা ঐখোয় নুপীনা ঙসিদি ঙা চরা অহাওবা অমত্তা চাসি, ঙা লৈরুসি হায়দুনা ঙায়োনফমদা অমুক চঙলে। ঙা চাওরপ তৌবা অমা লৈরগা থোরক্লে। ঐখোয় য়ূমদা হন্নবা গাড়ী থৌরগা লাক্লে। কংলা পার্ককী মমাঙদুদা থোইবীদু মথন্তা ওটো ঙাইরিবা ওইরমাল্লে লেপ্তুনা লৈরম্মী। ঐদি ৱাখল অমা খল্লদুনা মাগী মনাক্তুদা গাড়ীদু হায়রপ তপথরুই। থোইবীসু য়েংলকই। ঐগা মীৎচান্নখি। ঐখোয় নুপীনা ঐঙোন্দা য়েংলগা লাউরকই।

"কৈনো ঙাওরবরো, লম্বী লময়াইসিদা গাড়ী খাল্লিসিবু কৈদৌরগে?"

ঐ ৱাখল লাকই। গাড়ীদু গ্যার পাল্লগা গ্রং অমুক থৌগৎলকই। থোইবীদি মচিন হাইরপ খুল্লগা নোকহৌই। ঐনা ঐগী সাইদ গ্লাসতা মানা মচিন খুমদুনা নোকখিবদু উহৌই। অদুবু নোক্লিবদুগী মরুমদা মঙোন্দা নুংঙাইজদবা করিগুম্বা খরদি শোয়দনা ফাওরম্বা য়াই খল্লি। লম্বীদা লাক্লা লাক্লা ঐখোয় নুপীনা ৱারী হৌরকই।

"হন্দক মরকসে নহাক মমাঙঙৈগা মান্নদে, ঙাওদৌরিবরা নৎত্রগা করিনোমা তৌদৌরি"

"ঐ কৈসু তৌদেহে"

"তৌদে হায়বা য়ারোই, য়াম তৌই, সোনো ইচু চুবদৌনা তৌই। ইমুংদা ৱাশরুম অদুক চাওনা অনী অহুম লৈরিবদু চঙদ্রদনা অহিংদা মপান থোক্লিদুবু ঙাওদে হায়দুইরো। মচি মচিদা চপ চপ লেপ্পা, উং উংদুনা লৈবা, ঐ নঙগী অহোংবা য়াম উরে"

"ঐনে ওফিসকী করিগী মথা শাবগী তৌরিনিকো, ইশা কৈসু তৌদে"

"ওফিসকী করি মথা শারিবা? নচিন্দো থিগনো"

"চিন থিবা নত্তেমী"

"ফরে ফরে হয়েংলা হংচিৎলা সাইকিয়াত্রিক্সকী ডাক্তর অমগী মনাক্তা চৎলগা ফজনা অমুক্তা য়েংথোক্তবা য়াররোই। নৎত্রদি ঐ অঙাওবগী নুপী হায়দু তাদুনা তোক্লনি শোয়দনা"

"নুংঙাইখিদ্রেদা নঙসিমা সেরান তুরান ঙাঙলদনা"

"সেরান তুরান ঙাঙলিসি ঐ নত্তে, নঙনে নঙ"

য়ূম য়ৌরে, গাড়ী থৌজিন্দনা থোঙ্গালদা খাম্মে।

"কৈনো থৌজিল্লো"

"ঐ থবক অমা চৎলুখিগে"

"করি থবক?"

"ইমান্নবা অমা উন্নরুগে তৌবনি, চঙহৌরো?"

পোৎ চৈ থাংথরগা ঐখোয় নুপীদু য়ূমলোমদা চঙখ্রে। ঐ থোইবীনা লেপহৌবা মফমদু তান্না য়াম্না থুনা গাড়ীদু থৌরকই। অদুবু মহাক্লা লেপ্পম্বা মফমদুদদি লৈরমদ্রে। ৱাখলসি য়াম্না নুংঙাইরক্তে। ঐ মাগী দুকানলোমদা অদুম থৌরে। মহাকসু দুকান য়ৌবদা ঙাইরম্মী। ঐ ঙাইহাক লাপ্তুক্লা য়েংলল্লগা অদুম হল্লক্লে। য়ূম য়ৌবগা ফি হোংলগা ফমুংদা লোংনা হিপথৈ। ঐগী ইতৌদুদা ঐখোয় নুপীনা চঙলক্লগা হংলরি।

"কৈনো মী উননি হায়না চৎখ্রগা থুনা হল্লক্লিদি উনরক্ত্রবরা?"

"মা য়ূমদা লৈতে হয়েং উন্নরসি হায়রকই"

"ফরে ফরে অদুদি ঙাসি অমুক্তা শেন্বীররো, ঐ চাক ঙন্না থোংনবা তৌরগে, ঙসিদি চাক চারগা ৱারী ফজনা নুংঙাইনা শাদৌ লৈ" হায়রম্মগা থোকখ্রে।

ঐ তূমিন লৈহৌই। ঐনা খল্লি, ঐনা তৌরিসিবু করিনো। সিবু ঐবু নুপী কোই হায়দুইরা? মীগী মতেং চুম্না সুম পাংবনি হায়দুইরা? মীগী মতেং চুম্না পাংবা ওইরগনা ঐনা য়াম্না অরোনবা অমগুম্না তৌরিসিনা করিগীনো? ঐখোয় নুপীবু হন্দক ঐনা পংকিদা কিখৎলক্লিসিনা করিগীনো? মানা ঐবু সাইকিয়াত্রিক ডাক্তরদা চৎলগা য়েংথোকসি হায়রিসিনা ঐনা করি তৌরবগে? অস! কোকসি পুবা ঙমদ্রেদা। হোয় ডাক্তরদা য়েংদ্রসু য়াই, অদুবু ঐখোয় নুপীনা ডাক্তরদা য়েংসি হায়রিসি সিমদি খরা ফরে। সি নত্তদনা য়াম্না খঙ হৈবা মাইবা নৎত্রগা মাইবীগুম্বা অমদা য়েংথোকসি হায়রক্লদি ইঙাও ঙাওনা ইচুম চুম্বা নুপী অমগা মরী লৈনরে গাইনা থোক হায়জিল্লক্লদি য়ূম কাইদৌরিনি। মওন মওন খল্লি। ঙাইহাক হিপ্লবা মতুংদা ইশৌ অমুক লাংনরকপা তারে খঙদুনা হৌগৎলগা ঙাদু শেমখি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।